কোভিদ-১৯ মতমসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী ফিরেপ লৌমিন্নহৌবা চুমগনি : অমুকো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা মীয়াম্মা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী ফিরেপ লৌমিন্নহৌবা চুমগনি হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না ফোঙদোরক্লি।

অমুকোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা ঐখোয়গী পীক্লবা ইরমদম মণিপুর অসিদসু মৈৰাইরক্তুনা মীয়াম্বু খা-রাই খণ্ডদবমখৈ ককণ্ডাওনহল্লে। হৌজিক্তি মী অমগা অমগগী মরক্তা শোক্ল-শম্ননিংদবা হায়বদুগী ফীভমদা লৈরবনি। মসিগুম্বা অৰাবগী মশক অসি করি নুমীৎতা নৎত্রগা করম্বা মতমদা লোইদৌনো হায়বদুদি অকক্লবা ঙমখৈ অমা লৈত্রি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা মণিপুরগী মীয়াম্মা শীজিন্নরিবা পাম্বৈ হায়ববু শুপ্নতগী ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং অসিনচিংবা অচম্বা পাম্বৈখরাসিখক্তনি। মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯বু লাম্থেংননবগীদমক মীয়ামদা পীরিবা খুৎলায় হায়ববু শুপ্নতগী লোকদাউন, সোসল দিষ্টেন্সিং, এস ও পিগী ৰাংমদা মী পুনবা থিংবা, কোভিদ পোজিটিভ ওইবা লৈকায়দুগী মতেক-মতেক কন্টেনমেন্ট লাউথোকপা, চেঙ খরা য়েনবা অমদি অহোংবা মমলদা মীয়ামদা চেঙ ফংহনবা খরসিনি। মসিদি তঙাইফদবা খরা তৌবা হায়বদুনি। মসিনা কোভিদ থেংনবগী মতিক চাবা হায়বদু ওইদে। মরম অদুনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ অমদি শিবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লিবনি। অসিগুম্বা লুরবা মতমসিদা মীয়ামসিবু শোয়দ-ঙামদনবা অমদি অৰাবশিং কোক্লবা কুপশেন শেন্নদুনা লৈবগী মহুৎতা পোলিটিক্সকী লান কয়া তৌনদুনা লৈখিবদু মণিপুরদা অমম্বা পুৰারীগী লামায় অমা হাংখ্রবনি। মদুগুম্বা পোলিটিসিয়নশিং অদু লাইনসু য়ারোই, মীনসু য়ারোই। মদুগী ফল মতমগী মতুংইন্না অদুম ফংলকখিনি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী ঈরাংসি হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌনা কোভিদ-১৯গী চেকশিনবা অমদি মদুবু লাম্থেংনবদা অৰাবগী অৰাবা ঙাক্তা মায়োক্লদুনা লাক্লি অমসুং ওইরিবা ফীভম অসি মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তা ওইনা খন্দুনা লৈরি। ঙমখৈ লৈতবা অৰাবা অমা অসুম মায়োক্লবগী মহুৎতা ঐখোয় মীয়াম্মা কোভিদকী চৈথেং মরকসিদা কান্নবা থবক খরা তৌহৌবগী লম্বী কয়া য়াৎমিন্নবা মথৌ তারে। কোভিদনা নাকল অমদা মীয়ামদা শাথিবা চৈথেং অমা পীরবসু অসিগুম্বা চৈরকসিদা অফবা তাঞ্জা অমা লৌহৌরবদি ঐখোয়গী মাঙজখিবা ময়ামদুগী মরক্তা খরমখৈ ওইরবসু ফুগৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়ামসি য়ুম-য়ুমদা, লৈকায়-লৈকায়দা লৈনরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুরদা মতম শাংনা থিংনবা হোৎনদুনা লাকখিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি থিংনবগী ফিরেপ লৌমিন্নহৌবা চুমগনি। কোভিদ-১৯ শন্দারক্তনবগী চেকশিল্লিবনি হায়দুনা লৈকায়, খুন কয়াদা লম্বী শম্বল খাদুনা মী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা স্ক্রিনিং তৌরিবা অদুগী মহুৎতা লৈকায় খুনশিং অদুগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী এরিয়াশিং অদুদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংবগী ফিরেপ অমা লৌমিন্নরসি। কোভিদ-১৯না লমদমসিদা ওইহল্লক্লিবা ফীভমসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী য়াম্না চুনবা মতম অমা ওইরিবা অসিগী খুদোংচাবদু লৌহৌরগা থিংহৌদ্রবদি মতুংদদি মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী থবক্তা মঙম শানবা ঙল্লোই।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা এদিক্ট ওইরবা কয়াসু অসিগুম্বা কোভিদ-১৯না ওইহল্লিবা ফীভম অসিদা মশানা শেমদোকচহৌবগী মতম অমসু ওইরবনি। লৈকায়, খুনশিংদা কনা কনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চারি অমদি য়োল্লি হায়বসি হৌজিক্তি য়াম্না লায়না খঙবা অমদি থিংবসু ঙম্লগদবা মতমসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংহৌসি। হৌজিক্কী য়াম্না মতাং চারবা মতমসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংহৌদ্রবদি অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি তুংদা লাক্কনি থাজদে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লাকপদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থখ্রবদি মীয়াম্না ফৎত্রে হায়রিবা কোভিদ অসিনা লমদম অসিদা অফবা খুদোল তৌরম্বা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ঐখোয়গী মাঙদা মতম-মতমগী লাকখিবা শীংনবা অমদি খুদোংচাদবা কয়াদুগী মরক্তা তাঞ্জা লৌবা হৈদুনা কান্নবা ফীভম অমা শেমগৎপা হায়বসি অশিংবা মীশিংগী থবক অমা ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়ামসি অশিংবা কাঙলুপ হায়বদু ওইনবগীদমক অমদি ঐখোয়গী খুন্নাই কন্নবগীদমক অফবা তাঞ্জা অমা লৌহৌরসি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা, য়োনবা খুদক্তগী থিংলসি। ঐখোয়গী মীয়াম মশা-মউ ফবা ওইহল্লসি। লমদমসিদা ক্রাইম মশিং হন্থহল্লসি। ইমুং-মনুং, মতৈ-মনাও খৎনবা হন্থহল্লসি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী নাথৈরগা লৈবাক মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং অমদি তুংগী মীরোলগীদমক থবক তৌহৌরসি হায়না অমুকোনা মীয়ামদা আপিল তৌজরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয় মীয়ামগী তুংগী অফবা লম্বী অমদি লাইবক ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা পোলিটিসিয়নশিং অসিনা লেপ্পীরক্কনি হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদ্রে। লমদমসিগী পোলিটিসিয়ন অয়াম্বনা মীয়ামগী খল্লগা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবদু মীয়াম্মা উদ্রে। মখোয় মখোয়গী লন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরগা মীয়াম্বু হেক হেক পকশিল্লকপগী ৰানি। মদুগী ময়েক লারবা খুদমদি চহী খরগী মমাঙদগী মণিপুরদা ওইরক্লিবা পোলিটিসিয়নশিংগী থৌওংশিং অদুনা অদুম তাকচরে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরকসিদা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অসিনা তৌনরিবা থবক থৌওং ময়ামদু মীয়াম্না য়াম্না শেংনা উনখ্রবদুনি। নাকল নাকলদা লৈনরগা পোলিটিসিয়নশিংনা অচুম্বা শাদুনা পংঙাং ঙাংনরি, পংচৈদা চৈনরি। অদুবু মপুমদা য়েংবদা মখোয়না তৌরিবসি মীয়ামগী য়াইফবা অমত্তা নত্তে। য়াম্না শম্না হায়রবদা মণিপুরদদি কোভিদ-১৯গী ইৰাই-ইনিলবুদি পোলিটিক্সকী ইৰাই-ইনিলনা হেন্না কনখি। মিনিষ্টর, এম এল এশিং কোভিদতগী মাগী মাগী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়াম কন্ননবা অমদি অতৈ মখল মখা কয়াগী অৰাবশিংদু কোক্লনবা হোৎনবগী মহুৎতা মতাং মতম শুকচা চাদনা মখোয়গী পাৰর অমদি অতৈ ওইজবা কয়ানা মাঙ থারগা থবক তৌনরি। কোভিদকী মতাংদা মীয়ামসি পুন্দনবা হোৎনরবসু বাই-ইলেক্সন তৌগদবা কনষ্টিট্যুএন্সি খরদি ভোটকীদমক তঙাইফদনা মী খরদি পুন্দবা য়ারক্লোই। এস ও পিগা লোয়ননা কাউথোক্লগা ভোট কাহৌনবা হায়দুনা খুৎপু খুৎপু শেম্নদুনা ভোট খোম্নরক্কনি। চাকচা হৈজন্নরক্কনি। মী পুল্লপ পুল্লপ লাক্তুনা হাউস কেম্পেয়ন তৌনরক্কনি। মণিপুরগী ওইনদি ভোট হায়বসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা অদুম লোয়নরগা চৎলি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা ভোট খোম্নবগী য়াংলেন শৰু ওইরি। পঞ্চায়টি রাজ ইনষ্টিট্যুসনশিংগী হায়বদি ম্যুনিসিপালিটি অমদি নগর পঞ্চায়টশিংগী ইলেক্সনসু নকশিল্লকপনা হৌজিক মদুগী ফি শেম্নবা হৌরক্লবা মতমনি। ভোটকী মাঙওইনবা থবকশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক অসি কম্পলসরি ওইবনা কোভিদকা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা পারগদি লমদমসি পুংলোই লোইবা হায়বদু ওইরগনি। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবসি থবকসি খোঙলৈ থুনা অমদি খুম্মাং চাউশিন্না পায়খৎহৌদ্রবদি মণিপুরী ঐখোয়গী কাংখুল মুৎপগী থাক্তা লাকপা য়াই।

ভোট, ময়াই কাবা চীঙ্গাক, খৎন-চৈনবা হায়বসি পরেং শান্না লৈগনি। খৎন-চৈনবা থোক্তুনা অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা হোস্পিটাল য়ৌনরক্কনি। মদুদা হোস্পিটালশিংদা ডোক্তর, নর্সশিংদা অহেনবা খুদোংচাদবা কয়া পীগনি। কোভিদকী অনাবদা মায় ওনশিনগদ্রা, কোভিদ শন্দোরক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদ্রা, ভোটকী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিন-থকশিল্লুরগা খৎন চৈনবদা শোক্লবশিং অদুবু লায়েংনবা হোৎনগদ্রা হায়বসিদা অচৌবা খুদোংচাবা অমদি চরাংনবা কয়া থোরক্কনি। ভোটকী খৎন চৈনবদা শোক্লবশিং অদু খুদক্তা লায়েংবীদে হায়বা অহেনবা ৰাথোক কয়াসু লাক্কনি। পুন্নমকসি য়েংলগা কোভিদকী তাঞ্জা অসি লৌদুনা লৈকায় লৈকায় ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবগী থবক্তা মায় ওনশিনমিন্নরসি হায়না অমুকোনা মীয়ামদা আপিল তৌজরি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংহৌনবা মণিপুর পুলিসতা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীবীয়ু। মণিপুর পুলিসশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী থবক্তা য়াম্না থৰায় য়াওনা হোৎনবীরিবা পুলিসকী ইচিল-ইনাও পুন্নমকপু অমুকোগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শেন্দোয় অমদি য়ুম অশানমল লৌবীগনু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা প্রাইভেট বেঙ্ক, মাইক্রো ফাইনান্স, লন্নাই শেন্দোয় শান্দোকপশিংনা শেন্দায় খোম্বীগনু। মরুপ শান্নবা অমদি টেন্দরসু তৌবীগনু, দুকান অমদি য়ুম শান্দাকপগী অশানমলসু য়ুনাইটেদ য়ুথস ক্লব অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদগী লৌবীদনবা হায়জরি হায়না য়ুনাইটেদ য়ুথস ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সীঐচ ওকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রন্টলাইন ৰার্করশিংবু হন্থনা য়েংবীগনু : আর এন এ এল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা শাথিরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিবু লাম্থেংনবদা লান্মী ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নর্স, মেদিকেল ষ্টাফ য়াওনা ফ্রন্টলাইন ৰর্করশিংবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবীগনু হায়না রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎ (আর এন এ এল)কী সেক্রেটরি এল অশংবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নর্স অমদি অতৈ মেদিকেল ষ্টাফশিংনা ওফিস চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মীওই কয়ানা হন্থনা য়েংবীবগী থৌওং চত্থরকপদা রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎনা পেন্দবা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা মতম অসিদা ফ্রন্টলাইন ৰর্করশিংনা মখোয়গী নুংশিরবা ইমুং-মনুং অমদি পীক্লিবা মচাশিংবু থাদোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবনি। মখোয়না দ্যুটি হল্লকপদা লৈকায় খরদা মীওই কয়ানা মখোয়বু তাথি-তাওইনা তৌবা অমদি হঙ্গোইনা য়েংবগী চৎনবী অসিনা কোভিদ-১৯ থেংনবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নদুনা মায়থীবা পীবা মথৌ তাই।

হীরম অসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, ক্লবশিং, মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং অমদি ইচিল-ইনাও খুদিংমক্লা ফ্রন্টলাইন ৰর্করশিংনা থেংনরিবা অৰাবা কয়া থোক্তনবা মতেং পাংবীয়ু। ষ্টেট লৈঙাক্লসু ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ফ্রন্টলাইন ৰর্কর ওইরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিংবু খুদোংথিবা থোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়না আপিল তৌজরি হায়নসু রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎকী সেক্রেটরি এল অশংবীনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঐচ এস ঈ ২০২০দা পোজিসন লৌরকখ্রবা উরিপোক এ সীগী অফবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা চহীসিগী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন (ঐচ এস ঈ) ২০২০ দা পোজিসন লৌরকখ্রবা উরিপোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা অফবা মহৈরোয়শিংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবী সোসল ৰর্কর আর কে রানিসনানা শেলগী মনা অমসুং খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সনসু ওইরম্বী সোসল ৰর্কর আর কে রানিসনানা ঙসি উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিংগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা শেলগী মনা অদু খুৎশিন্নখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবনা এস ও পিশিং ঙাক্লা সোসল ৰর্কর আর কে রানিসনানা শেলগী মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা অহুমশুবা পোজিসন তারকখ্রবা মোইরাংথেম রোবার্টসন, নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্তগী আর্টস ষ্ট্রিমদা অনীশুবা পোজিসন তারকখ্রবা বিকাশ পাওনম, উরিপোক পোলেম লৈকায়দগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৮শুবা পোজিসন তারকখ্রবী ৰাহেংবম রোনি, নাওরেমথোং শামু উকুন্দগী আর্টস ষ্ট্রিমদা ৭শুবা পোজিসন তারকখ্রবা আর কে য়াইফবা মৈতৈ অমসুং গেম ভিলেজ জোনদগী আর্টস ষ্ট্রিমদা ১০শুবা পোজিসন তারকখ্রবী সাপম মেদিনা চনুনি।

পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা শেল মনা খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা সোসল ৰর্কর আর কে রানিসনানা হায়খি, পুন্সিগী ফিরেপ অমা লৌবা য়ারিবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন্দা উরিপোক এ সীদগী মহৈরোয় কয়ানা পোজিসন লৌরকপা অসি অপেনবা পোকই। এগজাম অসিদা মায় পাক্লবশিংবু তোঙান তোঙানবা প্রোফেসনল লাইনশিংদা মহৈ মখা তানা তমথননবা হোৎনবদসু য়ারে। মহৈরোয়শিং অসিনা তুংদসু কন্না হোৎনদুনা মহৈ নীংথিনা তম্লগা খুন্নাই অসিদা মশক থোকপা মীশক অমমম ওইহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

'অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকপিয়ু'

থৌবাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সঙ্গাইয়ুম্ফম পুল্লৈপোকপি সলাম মচাদা থা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ৯ খর হেল্লকপা অদুৰাইদা এম দি সিদিক অলিনা দুকানদা পোৎচৈলৈবা লাকপা নুপীমচা অমবু মোইথেম তৌরগা ফল্লানবিখ্রে হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোরকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা অথুবদা অচুম্বা লংলা-লংজিল থিদোকপিয়ু হায়না দাইমন্দ য়ুঠ ৰেলফ্যের এসোসিএসন সঙ্গাইয়ুম্ফম (দি ৰাই দব্লিয়ু এ এস) না থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

দি ৰাই দব্লিয়ু এ এসকী প্রসিদেন্ট এম দি ফিরোজনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা দি ৰাই দব্লিয়ু এ এসনসু অঙম্বা মতেং তৌজগনি। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন খঙদ্রিবা ফাওবদি পাউচেশিং অমদি টি ভি চেনেলশিংদা পাউ ফোঙবিদনবা চেরোল অসিনা আপিল তৌরক্লি।

নাকল অমরোমদা ফল্লানবিখ্রে হায়রিবা নুপিমচা অদুনা ফোঙদোরকপদা, থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ওথোরিতিশিংনা করিগুম্বা এক্সন অমত্ত লৌখৎতনা লৈরি। ঙসি ফাওবা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌবিদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়বা ৰাফম ফোঙদোরকখি।

লৌশিং পুক্কে

ঙাইহাক্তং 'নোকপা' হায়বসিসু অফবা হীদাক্লি

হায়নবা লৈ, নোংমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু, ঙাইহাক্তং ওইরবসু থৰায় তানা নোকথোকপা ঙমদ্রবা মীদুদি লায়না তিলনা কয়াগী মকোন শাফম, তুংনফম ওইরক্তুনা পুন্সি নুংশাংবা হায়বদু ওইদে। নোকপদা হকচাংগী কয়াৎ পুন্নমক মপুং ফানা পোখাহনবগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লি, এনর্জি হেনগৎহল্লি, ৰাখল নুংঙাইহল্লি অমসুং চৈনাখোল হন্থহল্লি। খ্বাইদগী ফরিবদি অসুক য়াম্না কান্নবা ময়াম অসি শেল শুকচঙ চঙদনা ইচম চম্বা মীনোক অমনা তরাই-তরাই হেক্তা ফংবা ঙম্বা হায়বসিনি।

মতম লৈবা খিবিক্তা নোক্তুনতা লৈবা মীওইশিংগী ইম্যুন সিষ্টম মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা পুক্নিং ৰাখল অনীমক ফিভম ফগৎলকই। নোকপনা পীরিবা হকশেলগী ওইবা কান্নবা খরা খঙমিন্নসি :

. অমুক্তং থৰায় তানা নোকথোকপনা পুক্নিং ৰাখলগী অৰাবা কোকহন্দুনা মশলশিং মপুং ফানা পোখাহল্লি।

. ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহন্দুনা ষ্ট্রেস হোর্মোন মশিং হন্থহনবগা লোয়ননা ইম্যুন সেল অমদি এন্টিবোদি মশিং হেনগৎহনবদগী লায়না তিলনা অমত্তা চঙহন্দে।

. নোকপনা হকচাং মনুংদা এর্ন্দোফিন কৌবা কেমিকেলশিং থোকহল্লকপা মরম্না হকচাং নুংঙাইহল্লি।

. ঈগী ঈচেল ফগৎহন্দুনা হার্টকী ফিভম ফহল্লি অমসুং হার্ট এটেক্লচিংবা তোঙান তোঙানবা হার্টকী লায়নাশিংদগী ঙাকথোকই।

. মরুপ-মপাং ওইবগী মরী চেৎশিলহনবগা লোয়ননা মীনা তিন্ননিংবা পোকই।

. ফনা য়াম্না অৰাবা তারবসু, ৰাখল ফনা য়াম্না নুংঙাইত্রবসু অমুক্তং থৰায় তানা নোকথোকপা ঙল্লবদি অৰা অনা পুন্নমক কোকখিগনি।

. য়াম্না তোয়না নোক্কনবা অমদি মীবুসু নোকহনবা ঙম্বা মীওই অদু মতম পুন্নমক্তা তরাম্না ওক্কনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী থিজিন-হুমজিনবা কাঙবু অমনা চৎথখিবা চাংয়েংগী শরুক অমা ওইনা মীওই খরবু কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লম্মী। কাঙলুপ অমবু অৰাবগী দ্রামা য়েংহল্লগা অতোপ্পা কাঙলুপ অমবুনা ফাগীগী দ্রামা য়েংহল্লম্মী। দ্রামা লোইরগা কোন্না চাংদম্নবা মতমদা ফাগীগী দ্রামা য়েংবা কাংবু অদুগী ঈচেল ফগৎলকপা থেংনখি। ইম্যুন সিষ্টমগী মপাঙ্গলসু কনখৎলকপগা লোয়ননা ৰাখল নুংঙাইতবা, অৰাবা, ষ্ট্রেস পুন্নমক কোকখিবা থেংনরম্মী।

অতোপ্পা চাংয়েং অমদনা দাইবেটিস পেশন্ট ১৯ বু চাক পীজরবা মতুংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা য়াওহল্লম্মী। অদুগা মখোয়গী ব্লদ সুগর লেভেল ওন্দুনা য়েংলম্মী। থংনবা নুমিৎতনা হায়রিবা মীওইশিং অদু চাক পীজরবা মতুংদা ফাগীগী থৌরম অমা য়েংহল্লগা ব্লদ সুগর লেভেল ওল্লম্মী। হায়রিবা মীওইশিং অদু ফাগীগী থৌরম য়েংবা নুমিৎতনা ব্লদ সুগর লেভেল হন্থরকপা থেংনখি।

অরুবা লায়না অমা নাবদগী ফমুংথক্তা হেদো নাহেদুনা লৈরিবা মীওই ফাওবা থৰায় তানা অমুক্তং নোকথোকপা ঙল্লবদি চৈনাখোল হন্থখিদুনা তুম্বা য়াহল্লি। নোর্মান কজিন্সনা ইবা লাইরিক "এনাটোমি ওফ এন ইলনেস" কী মতুং ইন্না মিনিট ১০ খক থৰায় তানা নোকথোকপা ঙল্লবদি চৈনা খাংলিবা মীওই ফাওবা পুং অনীরোম মপুং ফানা তুম্বা য়াহল্লি হায়রি।

মীপুম খুদিংমক নোংমগী মনুংদা কয়ারক হন্না মরম অমা নৎত্রগা অমদগী নোকই অদুবু নোকপদা পুক্নিং, ৰাখল অমদি হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদদি থোইদোক্লা খন্থরুবা তৌদে। নোকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। মসিমক্লনি "নোকপনা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি" হায়নরিবসি। পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা অৰাবা, খুদোংথিবা হায়বসি শোয়দনা মায়োক্লগদবা লৈরবনি। অৰাবা কোঙ্গায় নোক্লা-নোক্লা মায়োক্লদুনা পুন্সিগী শিন্থা পাঙবা ঙল্লিবা মীওইশিংবুনি মীওইলক্তগী তোমথিন ঙাল্লিবা, মীয়াম্না মতিক-ময়ায় শক্ল-শোন্নরিবা লাইপোক ওইনা লৌনরিবা মীওই খুদিংমক। নোকপনা পীরিবা কান্নবদি মায়থোংদা তারিবা হরাও-তয়াম্বগী মমি অদুখক নত্তে। হকচাং মনুংদসু অহোংবা কয়া থোকহন্দুনা কয়াৎ পুন্নমক মথৌ নিংথিনা তৌহল্লি।

পুন্সিদা করম-করম্বা থৌদোক থোরক্কদগে হায়বদু কনানসু তম্বা ঙমদে। ঐখোয়গী খুৎতা লৈবসু নত্তে। অদুবু থোরক্লিবা থৌদোকশিংদুনা পুন্সিদা করি করম্বা ঈথিল পীহনবা য়াবগে হায়বদুদি ইশা-ইশাগী খুৎতা লৈ। অরুবা লায়না অমনা নারবা মতম, নৎত্রগনা অৰাবা তারবা মতমদা নোক্লিংগদবা কনাসু লৈরক্লোই। অদুবু পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা মতমদুদা নোকথোকপা ঙল্লবদি অৰা চৈনা খরমখৈ হন্থকিগনি।

সোলর য়ুনিয়ন ক্লবতা শেল তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইননবা হায়দুনা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়দগী খোইস্নাম তোকিওনা পাউচে য়েম্থোকপগী থবক তৌরম্বা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা খোইস্নাম কোবাগী মিংদা লুপা লিশিং ১ সোলর য়ুনিয়ন ক্লবতা তেংবাংখ্রে।

তেংবাংখিবা অসিগা মরী লৈননা খোইস্নাম তোকিওনা হায়খি, লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা সোলর য়ুনিয়ন ক্লবনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লাইচৎ অসিবু থেংননবা ক্লব অসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংদা মতেং ওইননবা হায়দুনা ঙমজবা শেনফম খরখক য়াম্বা য়ামদবা থিদনা লৈখিদ্রবা পাউচে য়েম্থোকপগ শিনফম পায়রম্বা অপোকপগী মিংদা মতেং পাংজবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবনা মীয়ামদা খম থেংনা অৰা-চৈথেং কয়া অমসু পীরি। নোংম-নোংমগী কেস মশিং হেনগৎলকপা অমদি শিবগী মশিং হেনগৎলকপা অসিনা মীপায়বগী চাংসু হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লাইচৎ অসিবু থেংননবা ক্লব অসিনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎলি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

রোসোধারা ওইনাম, শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেল

লোকেল ট্রান্সমিসন ওইরক্তুনা কোভিদ-১৯অসিনা য়াম্না তমথিবা মওংদা ইরমদম মণিপুরবু তুম্না মরু ফংনা মাংহল্লগে হায়বগী মতাগুম লান্দারক্লিঙৈ চৈরক অসিদা লুচিংবশিংনসু চোংথোক-চোংশিন তৌবগী থবক তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্কনি হায়বা ফাওবা কীবা ফাওনদ্রে। লৈবাক অসিগী ফমদোন-ফম্নাইবা কয়া দিল্লি চৎলি অমুক পায়শিল্লক্লি। অমরোমদা পোজিটিভ ওইবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লমদম অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৰাবশিং অসি মখোয়গী থম্মোয়দা মীনুংশি হায়বদু ফাওদ্রবরা হায়নসু হংনিংবা অমা ফাওহল্লে। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওইশিং ফাওবা মপুং ফানা ঙাক শেনবা ঙমদবদগী খুদোংচাদবা কয়া থোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক্লা অমুক হোম আইসোলেসন তৌনবা ওর্দর থোরকপা অসি কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়বসি খন্থহন্নিংই অমদি কদাই ফাওবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌরিবনো? কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৌখৎপা থবকশিংদা পেন্নদবগী ৰাকৎ অমদি সী এম গেলেন্টরি এৰার্দকী ৰাথোকশিং অসি মখা তানা থোরক্তনবা শীনবিয়ু। তশেংনা গেলেন্টরি এৰার্দ পীনিংবা মীশক্তি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ হৌরকপদগী হৌনা লায়েংদুনা লাক্লিবা মশামকসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা দা. উথানদা পীহন্নিংই।

বুয়াময়ূম লিয়াকৎ অলি, ময়াং ইম্ফাল

মণিপুরদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মার্চ ২০২০দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবা লোকদাউন তৌদুনা লাক্লি। লোকদাউননা মরম ওইদুনা নোংমগী থবক শুরগা হীংজবা কৈথেল ফম্বা ইমা-ইবেন, ওটোমেজিক দ্রাইভর অমদি মীগী থবক শুরগা হীংজবা মীওই কয়া অমা শেম্থোক লম্বী লৈতদুনা লৈবনা মরম ওইদুনা অৰাবা য়েংহৈদবা ফীভম অমদা লৈবা য়াওনরে। চৈরক অসিদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচৈশিংগী মমলসু হায়নিংঙাই লৈতনা হেনগৎলে। পোৎচৈগী মমল হেনগৎপনা অমদি শেম্থোক লম্বী লৈতবনা মরম ওইদুনা চারা কয়া হেন্দুনা লৈবা ইমুং-মনুং কয়াসু লৈরে। পি দি এসকী চেঙ কেজি ৫ ফঙবনা নৎত্রগা লোকেল এম এল এশিংনা চেঙ কেজি খরা অমদি থাউ লিটর অমা য়েনবনা অসুক শাঙলবা মতম অসি ইমুং অমা পানবা য়াগদৌরিবরা? লৈঙাক্লা পোৎচৈশিংগী মমলগী ওইবা ওর্দর কয়া থোকখ্রবসু ইনফোর্সমেন্ট মপুংফানা তৌবিদবনা ঙসিসু মমল হেনগৎপা লেপত্রি। দুকান ফল্লিবা অমদি মীয়ামদা মথৌ তবা পোৎচৈগী মমল চপচানা ফংহনবিয়ু। মমল হেনগৎনা য়োনবা দুকানশিং লৈঙাক্লা রিগ্যুলেট তৌবিয়ু অমদি মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎপিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৮।২০২০ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ৫.১৯ ফাওবা লাংবনগী নোংমা পাল্লি, মতুং নিনি পাল্লনি।

মেষ: য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবা, পোরম য়াৎপা হৈতবা অমদি অরং অরাক মাংবা য়াবা লৈ, চেকশিল্লু। পল্লম্বা শেল ফংবা, য়েৎনবা কোকপা, থবক পাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৰাৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: চিন কন্দবা, মীৰা হেন্না থাজদবা, খুৎ চাওদবা অমদি অখং অহৈ শাদবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। মাংগদবগী শরুক তপথরগা তুংদা চুম্না থৌপাংবা ফৈ, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- খন্থবা ঙম্মী খংহল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিথুন: হুরানবনা কীবা পোকহনগনি। মীৰা থাজগনু। অমরোমদা পুক্নিং মকা লাম্বা, নিংবগা ইচং থৌবগা মান্নবনা অফবা মফম অমদি লন ফংবৈ নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি-নুংওলদা লুপচৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: নচাক নরলদা চরক চহিং নাইদনবা খুৎ চাওবা অমদি অনম তানবা তৌগনু। থবক ঙম্নবা থৌনাদি লোইনদবা য়ারোই। চিংননু অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: নিংবদুমক পাংবা য়াগনি, য়েৎনবদসু ঙম্বীনবা কনা লৈরোই, লৌশিং তানশিনবা য়াগনি অমদি মীচং খোম্বদা চাওনা মাই পাক্কনি। শেন্দোং চাওনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: লায়না অমদি হুরানবনা থবক পলহনবা অমদি লৌশিং থোকপা ৰাৎপা লৈগনি। থোইনা কিরুনু, মীয়াম লোইনৌ অমদি লাইগুরুনা উকল ওইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং পেন্না হরাওজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

তুলা: কনানসু নমহৎপা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। চিংনদনা মাংলোমদা চংশিল্লু। শোইদনা মাই পাক্কনি, শেল ফংগনি অমদি অনিংবা অফবা থবক শোইদনা পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-অনিংবা ফোংদোকপা মতাং চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃশ্চিক: লাইবক লৈবা নুমিৎনি, লাইগুরু/অঙম্বনা চানবীগনি অমদি ঙাংথোকপদা মীয়াম্না থোইনা থাগৎপিগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি অমদি য়েক্লবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং মকা লামগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/ফৌ।

ধনু: ইতোমতগী ৰাখল্লোন্না ৰা তুপথোকপা ফরোই অমদি মীতোপ্না ইনশিনবা লৌদবা ফগনি। চৎনবী নিতি অমদি কাংলোন কাইদনা থৌ পাংউ অমদি মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: থাজদবা লমদগী কান্নবা ফংগনি অমদি মীতোপনা মাংহনবা ঙমলোই। নচা ননাই অমদি মীকোক থোংনবা হোৎনবদা চয়েৎনবা লৈ, ঈৰাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৰারৌনবা লৈ-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কুম্বা: ঙসিসু মাই পাক্কনি, নিংবা থুংগনি অমদি য়েক্লবা লৈরম্লসু ঙমজগনি। লৈফম অফবা ফংবা, থৌনা ফুদোকপনা মরুওইবা থৌ পাংবা নুমিৎনি। অদুনা তন্থুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপল তৌরদি কাইননি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: মীচং হেনগৎকনি, মরুপ মপাংনা ফনা শন্দোকপীবা অমদি অরং অরাক লৌশিনবা য়াবা নুমিৎনি। শেল ফংগনি, য়েৎনবদা মাই পাক্কনি অদুবু ফিংলদি মাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজৰা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।